**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 20-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ৫ শুবা রাজ্য থাক্কী সিরুই লিলি ফেষ্টিভেল ঙসি উখ্রুল জিলাগী ভাঙায়ন সিরুই ভিলেজদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা হৌদোকখ্রে।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং নিংথিনা শেমগৎতুনা শিরুই ফেষ্টিভেলদা মীরৈবাক্কী লমকোয়বশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরগনি।

৩) শিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী পাউ লৌবা চৎপদা গ্বালতাবী এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চথুরকখিবা থৌওংবু অমজ্ অমসুং ই.জি.এম য়াওনা মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি। ঙসিদগী সরকারগী পাউ ফোংলোইদৌরি।

৪) কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দকী ১৭ সুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ২২ দা রাজস্থানদা লুপা কোতি লিশিং ২৬ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী পোজেক্ট কয়া জাতিগী মীয়ামদা কৎথোক্লগনি।

------

শিরুই (এল)ঃ অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগী মরক্তা ৫ রক শুবা

রাজ্য থাক্কী সিরুই লিলি ফেষ্টিভেল ওসি উখ্রুল জিলাগী ভাঙায়ন সিরুই ভিলেজগী হেরিতেজ গ্রাউন্দদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুগী মাংওইননা রাজ্যপালনা শিরুই চীংদোল কাদুনা মফম অদুগী ফজবা অদু য়েংখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- ফেষ্টিভেল অসি তাঙলবা শিরুই লিলি পুথোকখিবগী ৭৫ শুবা কুমওনগা ফাংজিন্নবনা অমুক্তা হেন্না মরু ওই। মহাকা হায়- ফেষ্টিভেল অসি ইকো তুরিজম চাওখৎহন্নবা অমসুং ইনভাইরোনমেন্টকী মরমদা মীয়াম্বু ভাব তাহন্নবগী থোইদোক হেন্দোকা মরুওইবা ফেষ্টিভেল অমসু ওইরি। ইম্ফাল অমসুং উখ্রুলগী লম্বী অসি তাঙ্কক নাইনা শেমজিনদুনা লাক্লি। মখা তানা শেমজিনদুনা মীয়ামগী খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা কন্না হোৎনরি। মথং চহিগী ফেষ্টিভেল ফাওবদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎ শাগৎতুনা লৈবাক অসিগী খক নত্তনা মপান লম কোয়বশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনগনি।

কুম্হৈ অসিগী কর্তেন রাইজরগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিগী অপিকপা ত্রাইব অমনি হায়না শকখঙলবা তরাও ফুরুপকী আর্টিষ্টশিংনা মখোয়গী নাৎকী ওইবা জগোই উৎখি। তাঙ্খুল ফুরুপকী লানগী জগোই- রিংগুই ফৈচা উৎখি। তুংদা রাজ্যপালনা ষ্টেট লেবেল ফ্লাৱার কম্পিতিসন অমসুং অৱাং নোংপোক লমদমগী আর্টিষ্টশিংগী ওইবা আর্ট রেসিদেন্সি কম একজিবিসন অমা হৌদোকখি। রাজ্যপালনা মণিপুর ফোরেষ্ট বিভাগনা শিরুই লিলিগী মতাংদা পুথোকপা কোফি টেবল বুক অমসুং এ.দব্লিউ. থোটরনিফিগী ফ্লোরিষ্টিক দাইভর্সিতি ওফ শিরুই কাসুং হায়বা লাইরিক অমসু ফোংখি।

ফেষ্টিভেল অসিগী মপুং ওইবা থৌরমশিং পাঙথোক্লিবা ভানগায়ন সিরুই ভিলেজগী হেরিতেজ গ্রাউন্দদা তাঙ্খুল ফুরুপকী নাৎকী ওইবা ফিজেৎ চাকচা, খুৎশু খুৎলায় অমসুং উনা শাবা পোৎলমশিং য়াওনা মালেমগী অনিসুবা লাঞ্জাউগী পোৎলমশিং উৎপা মিনি ম্যুজিয়ম অমসু উৎলি।

হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহ, সেক্যুরিতি

এদভাইজর কুলদিপ সিংহ, মণিপুর ফোরেষ্ট বিভাগকী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট অনুরাগ ভাজপায়, সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর অনুপম মিশ্রা, তাঙ্খুল নাগালোংগী প্রসিদেন্ট সোর্দ ভাসুম, তাঙ্খুল ৱুংনাওলোংগী প্রসিদেন্ট টেনিসন কাশুং অমদি সিভিল অমদি সেক্যুরিতিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং য়াওখি।

নুমিৎ ৫ নি চথুগদবা শিরুই ফেষ্টিভেল অসি জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং উখ্রুল হেদক্কাতরসকী বক্সি গ্রাউন্দ, উখ্রুল হেদক্কাতর গ্রাউন্দ, জোরচেং, ফংরৈ অমসুং সিরুই হিলসতসু পাঙথোক্কনি। মাউন্তেন হাইকিং, বিউতি পিজেন্ট, এদভেঞ্চর স্পোর্টস, ফুটবোল, কলচরেল সো, ম্যুজিক ফেষ্টিভেল অমসুং কুকিং কম্পিতিসননচিংবনা ফেষ্টিভেল অসিগী থোইদোকপা শক্তম ওইরি।

পাউমী (এল)ঃ শিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিংবু ঙসি উখ্রুল চৎপগী লম্বীগী খ্বালতাবী এরিয়াদা মখোয়না তোংবা মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টকী বসতা মণিপুর থারিবা অদু য়ারোই হায়না মফম অদুদা মথৌ তৌরম্বা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা ফোংদোরকপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্নুনা মদুদা চেন্নবশিংগী মথক্তা খুদক্তা থবক লৌখৎনবা ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন অমসুং ইদিটরস গিল্ড মণিপুরনা রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম অমা পীশিন দুনা ৱাকৎখ্রে। পাউমীশিং অদু বস অদুদা রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্সকী ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা উখ্রুল তমা চৎখিবনি।

থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্নুনা ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতগী মশিং য়াম্লবা পাউমীশিংনা মখুৎতা প্লে কার্দ পায়দুনা ইম্ফালগী রাজ ভবন তমা খোঙচৎ অমা চৎলবা মতুংদা মেমোরেন্দম অদু পীশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা সরকার, ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগা মরী লৈনবা ঈ-পাউশিং বোইকোট তৌবা, থৌদোক অদু ইনক্কারি চথুবা, থৌদোক

অসিদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎপা, অসিগুম্বা থৌদোকশিং তুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা দি.আই.পি.আরনা মরী লৈনবশিংগা নিংথিনা পাউ ফাওননবা থবক লৌখৎনবা অমসুং তোঙান তোঙানবা পুন্না ৱারেপ ৮ য়াওরি। মসিগী মতাংদা অমজ্ অমসুং ই.জি.এমগী অথুবা জেনেরেল বোদিগী মীফম অমা হয়েং পাঙথোক্কুনা মখা তানা চংশিনগদবা খোঙজংগী মতাংদা খন্নরগনি।

শিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফজদবা থৌওং চত্থরকখিবা অদুবু মাইকৈ কয়াদগী য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি।

থৌদোক অদুবু বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দল অসিগী জেনেরেল সেক্রেটরি পি. প্রেমানন্দনা হায়- থৌদোক অদু বি.জে.পিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা থৌদোক্কুদা চেন্নরিবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা তকশিনখ্রে।

রাজ্য সভাগী এম.পি. অমসুং মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনসু ঙসি সেক্যুরিতি ফোর্সনা পাউমীশিংদা চত্থখিবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। ঋালতাবী এরিয়াদা মথৌ তৌরম্বা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মণিপুর থাবা য়ারোই হায়রকখিবা অদুবু অঙকপা ফোংদোকপগা লোয়ননা য়ামা থম্মোয় শোকপা অমনি হায়রি। কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)না থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ভারত লান্মীগী মহা রেজিমেন্টনা পাউমীশিংদা চত্থরকখিবা থৌওং অদু য়ামা লাইবক থিবনি। ৱাথোক অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা চংশিল্লকপা খোঙজংদা কোকোমিনা শৌগৎকনি হায়রি। ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না থাদোরকপা চেরোল অমদা ঙসি পাউমীশিং তোংবা বসতা মহা রেজিমেন্টনা চত্থখিবা থৌওং অদু য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। ফোংনা মণিপুর হায়না থাদুনা চৎপা য়াদবগী ফিভম অমা লাক্লিবা অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়রি।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনসু থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা দল অসিগী মচিন চৎপা মীশক নিংঙোম্বম ভুপেন্দ্র মৈতৈনা হায়- অসিগুম্বা থৌওং অসি দল অসিনা য়ামা হকচিন্না লৌই। ককচিংগী এম.এল.এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনসু ঙসি মহা রেজিমেন্টনা পাউমীশিংদা চথুরকখিবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। সেনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিনসু পাউমীশিংদা তাথি তাওইনা তৌরকখিবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। দেমোক্রেতিক পিপলস ফ্রন্টন, খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র য়ুথ ওর্গনাইজেসন, মণিপুর লৌমী লুপ সলাই কনবা লুপ, পিছ কমিতি কংলৈপাকনসু থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ডে (এল)ঃ কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দকী ১৭ সুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দি.এম. য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার ৱাহেংবম চান্দ বাবু, কেলেন্দর বোর্দ অসিগী প্রসিদেন্ট অচারিয়া অহমবিজিৎ সাইরোম, ভাইস প্রসিদেন্ট ডাঃ মোইরাংথেম শুরজিৎ সিংহ, এদভাইজর অখাম লাঙ্গোল, অকোমলুপকী এদভাইজর ডাঃ অশাংবম বিবেকানন্দ, একনি হোস্পিতালগী মেনেজিং দাইরেক্তর ডাঃ জেমস এলাংবম, লাংয়াই ভেঞ্চর প্রাইভেট লিমিতেদকী এদমিনিষ্ট্রেতিভ দাইরেক্তর হিদম বোনিসন আঙোমচা অমসুং অকাশবানি ইম্ফাল এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর (নিউজ) থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎ দাইস মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরম অদ্দা ৱা ঙাংবদা ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার ৱাহেংবম চান্দবাবুনা হায়- মীতৈ ফুরুপ অসি পিকচরবসু অঙনবা মতমদগী হৌনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা মাংজিল থানা লাকখি। লমদম অসিগী অহল লমনশিংনা হৌজিক্কী মতমগী ইজ্কেসনগী খুদোংচাবা ফংদ্রিঙৈ মতমদা পুথোক্লম্ব তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং অদু ঙসিগী চাওখৎলবা মতম অসিগা য়েংনবা মতমদা চুশিন্নবা অমা থেংনবা ঙম্বা অসি থাগৎনিঙাইনি। মরম অদুনা ইপা ইপুশিং অদুনা থম্বীরম্বা

লনগী পুক্কৈশিং অদু ঙসিগী মীরোলনা ঙাক শেন্দুনা থন্বা হায়বসি তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা ৱাঙাংলোইশিংনা মীতৈ ফুরুপকী এষ্ট্রোনোমি অমদি থবানলোনগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা মসিদা মতমগা চুনবা সাইন্স অমদি অতোপ্পশিংগা মরী লৈনবগী মতাংদা শুগাইনা থমখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামগী থবক তৌরিবা তোঙান তোঙানবা লুপশিংদসু খুদোলপোৎ তমখি।

সেন্তর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈমরাম অৱাং লৈকাইদা লৈবা ৱারিয়রস রিহেবিলিতেসন সেন্তর ফোর এদিক্সতা ঙসি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লাইচুরবশিংগী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা থোনাউজম চাউবা মেমোরিয়েল চেরিতেবল ট্রষ্ট শিংজমৈগী মেনেজিং ট্রষ্টি থৌনাউজম রোমেন্না হায়- ময়াই কাবা নিশা অমদি ড্রগতা লাইচুরবশিংবু তাথি তাওইনা তৌবীবগী মহুৎতা ঐখোয়গী ইচা ইনাউনি খন্দুনা নুংশিবা মীৎয়েংগা লোয়ননা মখোয়বু লায়েংদুনা ফগৎলকবা হোৎনগদবনি। মসিদা খুন্নাইগী মীপুম খুদিংমক্কী থৌদাং য়ামা চাওই।

থৌরম অদুদা লৈমরাম য়াইফ লমজিং লুপ, লৈমরাম হৈনৌবোক ৱারোইচীং দিভলপমেন্ট কমিতিগী লুচিংবশিং অমদি সেন্তর অদুদা লায়েংদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ২২ দা রাজস্থানগী বিকানেরদা লুপা কোতি লিশিং ২৬ হেন্না চংগদবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া জাতিগী মীয়ামদা কৎথোক্লগনি।

প্রোজেক্ট অসিনা রাজস্থানদা রেলৱে, মৈ, ঈশিং অমসুং লম্বী থোংশিং শেমগৎ শাগৎপগী লমদা চাডনা অহোংবা পুরকপা ঙম্লগনি হায়না পানরি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ মনুংদা লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১৮ গী পুন্না জিলা ৮৬ তা নৌনা শেমগৎপা অমৃট ষ্টেসন ১০৩ শঙ্গাগনি। বিকানের-

মুম্বাই এক্সপ্রেস রেলগাড়িসু প্রধান মন্ত্রিনা লমথাদুনা হৌদোক্কনি। অমৃট ভারত ষ্টেসন স্কিমগী মখাদা নৌনা শেমগৎপা ষ্টেসন লিশিং ১,৩০০ হেনবদা মতমগা চুনরবা মচাক মথুম কয়া শেমগৎ শাগৎপগী থবকসু চখ্খরি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ মনুংদা চুরু-সাদুলপুর রেল লম্বী শেমগৎনবা যাত্রাসু হুনগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাড--

ফুটবোল (এল)ঃ লমলোং থোঙখোং আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চখ্খরিবা অনিশুবা পেমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা- য়ু.দি.ওনা অসুফি ফুটবোল একাদমিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এফ.সি. রেংদাই অমসুং ৱাংগোই ফুটবোল এসোসিয়েসন পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ১৫ শুবা অস্ফা সেনিয়র ৱিমেন ফুটবোল লিগকী ঙসি সাই গ্রাউন্দ তাকয়েলদা শান্নখিবা মেটচতা- ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিয়েসনগী নৌনা শাবা ওফিস বিল্ডিং অমা ইম্ফালগী পাউনা বজার কাখুলোংদা হিল এরিয়াজ কমিতিগী চেয়ারমেন অমসুং এম.এল.এ- দিনগাংলুং গাংমৈনা শঙ্গাখ্রে। এসোসিয়েসন অসিগী মীফম অমনা চহি অসিগী ওক্তোবর থাদা ১৪ শুবা জাদোনং মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্টসু পাঙথোকবা ৱারেপ লৌখি।

খো খো (এল)ঃ য়ুনাইতেদ প্রোগ্রেসিভ য়ুথ ক্লব, মনি য়াইস্কুল ইম্ফাল ইষ্টনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট খো খো এসোসিয়েসন অমসুং মণিপুর এমেচর খো খো

এসোসিয়েসনগী মখাদা সম্মর খো খো কোচিং কেম্প অমা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌখ্রে। কেম্প অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা চথগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ  তকৱা ত্রোফিগী ঙসি তেন্থা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা শান্নগদবা প্রিক্বাটর ফাইনেল মেটচশিং নোংনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখ্রে।

------